**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 3.06.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ৩-০৬-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং হয়েং থীরগনি।

২) কংগ্রেসনা হায়রি-মনিপুরগী লোক সভা সিট অনিমক কংগ্রেসনা ফংগনি।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌ এরিয়াদগী কে.সি.পি অপুনবা সিটি মীতৈগী মীওই অহুম ফারে।

৪) রাজ্য অসিগী ইংখৎলক্লিবা নহাশিংদা তোঙান তোঙানবা ভোকেসনেল স্কিলশিংদা ত্রেনিং পীনবা অসাম রাইফলস অমসুং ৱি-কেয়র স্কিল সোলুসন অনিগী মরক্তা য়ান্না চে অমা ঙসি সহি তৌনখ্রে।

**অমসুং**

৫) চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নর রাজিব কুমারনা হায়রি - ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা ভোটর কোতি ৬৪ লাখ ২০না ভোট থাদদুনা মালেমদা রেকোর্দ থম্বা ঙল্লে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**ভোট (এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং হয়েং থীরগনি। লোক সভাগী মীখল অসি তাঙ্কক ৭ থোকা মমাং থা এপ্রিল ১৯ দগী হৌরগা থা অসিগী ১ ফাওবা পাঙথোকখিবনি।

ভোট মশিং থীবগী ফল ইলেক্সন কম্মীসনগী ৱেব সাইট - -রিজল্টস দোট ই.সি.আই দোট জি.ও.ভি. দোট আই.এন দগী নত্রগা ভোতর হেল্প লাইন এপপতগী ফংগনি। মনিপুরগী ওইনা ইন্নর অমসুং আউতর লোক সভা অনিমক্কী ভোট মশিং হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগা থীবা হৌগনি। লোক সভা সিট অনিমক্কী মীখলগী ফল নুমিৎ য়ুংবা মমাং ফাওবদা ফংলবা য়াই হায়না পান্নরি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, চান্দেল, উখ্রুল, সেনাপতি, কাংপোকপী, তমেংলোং, চুরাচান্দপুর অমসুং জিরিবামগী পুন্না দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরস ১১ দা কাউন্টিং সেন্টর ২৪ হাংদোক্তুনা ভোট মশিং থিগনি। হয়েং ভোট মশিং থিগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি হায়না জিলা জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা খঙহল্লি।

ভোট মশিং হয়েং থীগদৌরিবা অসি য়েংশিন্নবা ওবজার্ভর ৫ ঙরাং ইম্ফালদা থুংলরে। ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক, জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী মায়োকবদা লৈবা হোটেল ইমোলেসতা লৈরি। মীয়ামা, মরুওইনা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিং, মীরেপশিং নত্রগা মখোয়গী এজেন্টশিংনা মীখলগা মরী লৈননা কাউন্তিং ওফিসারশিং অসিগা ডন্নব য়াগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার টি.ঐচ. কিরনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি

ভোট মশিং হয়েং থীগদৌরিবা অসিগী লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী রিটর্নিং ওফিসর থোকচোম কিরন কুমারনা হায়-

--**কিরন কুমার**--

আউতর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী হয়েং ভোট মশিং থীগদৌরিবা অসিগী মতাংদা কেন্দ্র অসিগী রিটর্নিং ওফিসর অহন্থেম সুবাসনা হায়-

**--সাউন্দ সুবাস--**

।

জিরিবাম জিলাদসু আউর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ভোট মশিং হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগী থীনবা শেম শাবা লোইরে। ভোট মশিং জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরগী ওফিসতা অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা থীগনি। হয়েং ভোট মশিং থীগদৌরিবা অসিগী মতাংদা জিলা অদুগী এ.আর.ও , টি.ঐচ মনোরঞ্জননা হায়- ভোট মশিং তেবল ৭ তা থীগনি। তেবল খুদিংমক্তা কাউন্তিং সুপরভাইজর ৫, কাউন্তিং এসিস্তেন্ত অমদি মাইক্রো ওবজার্বর অমমম পুন্না মীওই অহুমনা শাবা টিম অমনা য়েংশিনগনি। পনবা য়াই, হন্দক্কী মীখল অসিদা জিরিবাম জিলাগী ওইনা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন অমা য়াওনা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৪১ দা ভোট থাদনখিবনি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** লৈবাক অসিদা ইন্দিয়া এলাইএন্সকী সরকার অমা লৈরগনি হায়না কংগ্রেসনা ফোংদোক্লি। ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতি এম.পি.সি.সিগী সেনিয়র স্পোক্স পরসন এন.ভুপেন্দা মীতৈনা হায়- মীখল অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মেদিয়া হাউসশিংনা পুথোরক্লিবা একজিট পোলশিং অসি চৎনবা য়ারোইদবা অমদি মীয়ামদা লাননা উহনগদবা একজিট পোলশিংনি।

চেন্নেলশিং অসিদা পুথোরক্লিবা একজিট পোলশিং অসিদা ভারতিয়া জনতা পার্টি বি.জে.পিনা সিট ৩০০গী মথক্তা ফংদুনা মপুং ফাবা মেজোরিতি ফংগনি হায়না পল্লি। মসি চৎনবা য়ারোইদবা ৱাফমনি। লৈবাক অসিদা করম্বা দলনা লুচিংদুনা সরকার পায়গদগে হায়বসি হয়েং খঙলগনি। মহাকা হায়-হন্দক্কী মীখল অসিদা ইন্দিয়া এলাইএন্সনা সিট ২৯৫ ফংদুনা সরকার শেমগনি। মসি এম.পি.সি.সিনা পংহায়দা হায়জিনবা ৱাফম নত্তে। লৈবাক অসিগী কংগ্রেস লুচিংবা অমদি ইন্দিয়া এলাইন্সতা য়াওরিবা দল কয়াগী লুচিংবশিংগা মীখলগী গ্রাউন্দ রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা হায়বনি। শ্রী ভুপেন্দানা হায়-মনিপুরদা লোক সভা সিট অনিমক কংগ্রেসনা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**এরেস্ত (এল)ঃ** থৌবাল পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা জিলা অদুগী ৱাইথৌ এরিয়াদগী কে.সি.পি অপুনবা সিটি মীতৈগী মীওই অহুম ফারে।

মখোয়দগী পিস্তোল অহুম , মেগজিন অহুম, মরু ১৬ , মোবাইল ফোন মরি, রেজিস্ত্রেসন নম্বর য়াওদবা বোলেরো অমা, ফংলে। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখ্রে।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলস অমসুং মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা শুগুনুদা লৈবা উথাংপোকপী ভিলেজতা থাবা হুন্নবগী থবক চথবদা হেন্দ গ্রেনেট মরি,মোতার অনি অমদি তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাদা হৌজিক চুরিবা নোং অসিনা লৌউ শিংউগী থবকশিংদা থোইনা কান্নবা পীরে হায়রি। লৌমীশিংনা লৌবুক্তা কুমদুনা লৌ পান্নবগী থৌরমদা মায় ওনশিন্নবা হৌরে। মসিদা লৌমীশিংগী য়েংলগা সরকারনা মতম চানা হার পীবিনবা লৌমীশিংনা আপিল তৌরক্লি। পাউদম অমা

--মনিপুরসনা--

**দে(এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ৱার্ল্ড বাইসিকল নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। কুমসি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হিরমদি - প্রোমোতিং হেলথ, ইকুইতি এন্দ সস্তেননেব্লিতি থ্রু সাইকল্লিং হায়বসিনি।

মনিপুর এদভেনচর এন্দ মাউন্তেন বাইকিং এসোসিয়েসননা রিমসকী কয়াকল্পকা খুৎশমরগা থৌরম অদু রিমসকী জব্লি হোলদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর এদভেনচর এন্দ মাউন্তেন বাইকিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ত ডা: ঙাঙোম অরুনকুমারনা হায়- পালন থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ৱাখল্লোনদি সাইকল থৌবনা মীওইবগী হকচাংবু মপাঙ্গল কন্না অমদি নাদা য়েক্তনা থম্বা ঙম্মী লোয়ননা অকোয়বগী ফীভমদসু অকায়বা পীদে। মসিনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকহনবতা নত্তনা মসি অফবা হকচাং শাজেল অমসুনি।

**--সাউন্দ অরুনকুমার--**

**রিমস(এল)ঃ** **রিমসকী** সাইকায়ত্রি দিপার্টমেন্ত হাংদোকখিবগী ৪৭ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিপার্টমেন্ত অসিগী ডাঃ কমল হোলদা পাঙথোককিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রিমসকী দিরেক্তর জি.সুনিল কুমারনা হায়- ৱাখল লায়না নারবা অনাবশিংদা সাইকিয়াত্রিস্তশিংনা পীরিবা মতেং অসি য়ামা মমল য়াম্বা অমনি । মহাকা হায়- ৱাখল লায়না নারবা মীওইশিং লম অসিদা থবক তৌরিবা দাক্তরশিং কুপা য়েংশিনবগা লোয়ননা মখোয়বু শাদরনগী পুন্সিদা হঙ্জিল্লকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। দাক্তরশিংগী মথৌদি অনাবশিংবু নিংথিনা লায়েংবগা লোয়ননা মখোয়গী পুকিং ৱাখল ফগৎহনগনি। দিপার্টমেন্ত অসি হেন্না চাউখৎহন্দুনা মীয়ামদা কান্নবা কয়া মখা তানা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

**পারিক্ষা(এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভার্সিতিনা লৌবা বিএ-বি.এসি-বিকোম-বিএফটি - বিএসঐচ- বিটিটি -সিক্স সেমিস্তরগী পারিক্ষাগী মতম নৌনা লেপ্লে। য়ুনিভার্সিতি অসিগী কন্ত্রোলর ওফ একজামিনেসন্সনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- পারিক্ষাশিং অসি থা অসিগী ৬ তগী হৌরগা ১৩ ফাওবদা পাঙথোক্লগনি।

অমরোমদা, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হায়র সেকেন্দরি ইম্প্রুমমেন্ত একজাম্মীনেসনগী ফোর্ম ফীলঅপ তৌবগী মতম লাউথোক্লে । মরী লৈনবা স্কুলশিং, প্রিন্সিপালশিং কাউন্সিলগী ৱেব সাইটতা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৪ ফাওবদা ওনলাইনগী খুত্থাংদা সম্মীট তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

**এময়ু(এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভার্সিতি নেসনেল সার্ভিস স্কিম (এন.এস.এস. য়ুনিটস ১,২,৩,) না পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ ৭ নিগী মনিপুর য়ুনিভার্সিতি এন.এস.এস কেম্প অসি হৌখিবা তাং অমদা হৌদোকখিবনি। কেম্প অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি -লিদরসিপ এন্দ পরসনেল্লিতি দিভলপমেন্ত হায়বসিনি। কেম্প অসিদা কলচরেল কম্পীতিসন, সিৎ শেংবা , এৱানেস প্রোগ্রাম, ব্লদ দোনেসন, ফার্ষ্ট এইদকী মতাংদা খঙহনবা অমদি উ-চারা থাবা য়াওরি।

**এ.আর(এল)ঃ** সাইক্লোন রেমালনা শোকহল্লবা ইম্ফালগী নাগারামদা ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী এফ.কম্পানিগী বোট কাংবুনা ঈচাউ অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা চানা থকবা পোৎলমশিং অমদি অনা অয়েক্কী দরকার লৈবা হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ঈচাউনা শোকহল্লবা খাবি ভিলেজদা অসাম রাইফলসনা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা মনা মশিং, অফবা ঈশিং , মোম্পাক ফীদম অমদি মীয়ামা দারকার লৈবা পোৎলমশিং য়াওরি। ঈচাউনা শোকহল্লবা ইম্ফালগী লাইফম খুনৌদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু ঙসি পাঙথোকখ্রে। মদুদা ইমুং ২১৮ কী মীওইশিং লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিংসু লেমা য়েন্থোকখি।

**ৰি-কেয়র(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী ইংখৎলক্লিবা নহাশিংদা তোঙান তোঙানবা ভোকেসনেল স্কিলশিংদা ট্রেনিং পীদুনা মখোয়বু শেন্থোক লন্বী লৈহন্নবগী পান্দমদা নহাশিংগীদমক ট্রেনিং প্রোগ্রাম পায়খৎনবা অসাম রাইফলস অমসুং ৰি-কেয়র স্কিল সোলুসন অনিগা মরক্তা য়ান্না চে অমা ঙসি সহি তৌনখ্রে। য়ানা চে অদু মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা আই.জি.এ.আর সাউথকী কেম্পসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা তৌনখিবনি ।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা অসাম রাইফলসনা ভোকেসনেল ট্রেনিং তৌফম অমদি মসিদা চংবা মচাক মথুমশিং পুথোকপগা লোয়ননা মতিক চাবা কেন্দ্দিদেশিং খনবগী থৌরাং লৌগনি । অদুগা ৰি-কিয়র স্কিল সোলুসননা ইন্সত্রক্তরশিং পুথোক্তুনা নহাশিংদা চয়োল ১২ -১২ গী ওইবা ট্রেনিংসিপ পীগনি। হায়রিবা ট্রেনিং অদুগী মনুংদা হোস্পিতাল্লিতি সার্ভিসেস, রিতেল মেনেজমেন্ত, বিউতি-ৱেলনেস অমদি ইলেক্ট্রিসিয়নগী ট্রেনিং, মেকানিকেল অমসুং প্লম্বীংগী ওইবা স্কিল য়াওরি। ট্রেনিং অসি লোইশিল্লকপা মতমদা নহাশিং অদুদা নেসনেল স্কিল দিভলপমেন্ত কোওপরেসননা পীবা সার্টিফিকেদ য়েন্থোকপগা লোয়ননা মখোয়বু মরী লৈনবা সেক্তরশিংদা থবক পীনবা হোৎনগনি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা জ্ন ১০দগী হোতেল ইম্ফালগী মনাক্তা লৈবা শঞ্জিবানিদা খনগৎলবা নহা ৯০ দা হোস্পিতাল্লিতি অমসুং রিতেল সেলসতা অসাম রাইফলস অমসুং ৰি-কেয়র সোলুসননা ট্রেনিং পীবা হৌরগনি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী লমখায় কৈথেলদগীনা শুগুনু ফাওবগী ফীভম শোক্লবা ষ্টেট হায়ৱে অসি শেমজিনবিন্নবগী মতাংদা কে.এস.এস.এল, ক্লব ওর্গনাইজেসন অমসুং মৈরা পায়বী লুপকী মীহুৎশিংগা পুন্না মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে ।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাইদা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মি, লম্লাই পুলিস ষ্টেসন অমসুং চলৌ য়থ ফুটবোল ক্লবনা পুন্না খুৎশমদুনা অহানবা চলৌ নোক আউট ফুটবোল টুরনামেন্ত ঙসি লম্লাই চলৌ ভিলেজতা হৌদোকখ্রে। টুর্নামেন্ত অসি ইন্দিয়ন আর্মিনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা খোংথাং অমা ওইনা শেমখিবনি।

**কাং(এল)ঃ** ৱবগাই অৱাং লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা চখরিবা ২৪ শুবা অরান্বম সোমারেন্দ্রো নিংশিং কুমওন নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন টুরনামেন্ত ২০২৪ গী ঙসিগী মেটচতা নম্বোল কেন্দ্রনা ৱালিদা ৱবগাই কেন্দ্রবু পাঞ্জল ২৯-১২।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**ই.সিঃ** চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নর রাজিব কুমারনা হায়রি - ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা ভোটর কোতি ৬৪ লাখ ২০না ভোট থাদদুনা মালেমদা রেকোর্দ থম্বা ঙম্লে। ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী রাজিব কুমারনা হায়- হন্দক্কী মীখল অসিদা ভোট থাদবা থোরক্লিবা ভোতরগী মশিং অসি জি-৭ লৈবাকশিং -আমেরিকা, য়ুনাইতেদ কিংদম ,ফ্রান্স জর্ম্মানি, ইতলি, জপান অমদি কানাদাগী ভোটরশিংদগী শরুক ১মখায় হৈল্লবনি।

হন্দক্কী মীখল অদুদা নুপী ভোতর কোতি ৩১ লাখ ২০না ভোট থাদদুনা হৌজিক ফাওবদা মালেমদা নুপীনা খ্বাইদগী য়ামা ভোট থাদবা মীখল অমা ওইখি। ইং ২০১৯ দা পাঙথোককিবা লোক সভা মীখলদা পোল্লিং ষ্টেসন ৫৪০ দা অমুক হন্না ভোট থাদখি অদুবু হন্দক্কী মীখল অসিদদি শুপতগী পোল্লিং ৩৯ খক্তদা মীখল হনখি। হন্দক্কী মীখল অসিদা পুন্না মোনিতরিং টিম ৬৮ শীজিন্নখি। পোল্লিং অমদি সেক্যুরিতি পরসনেল কোতি অমা মখায় মীখলগী মথৌ তৌহনখি।

মীখল অসিদা থৌদোক মচা মচা খরা থোকখিবা নত্তনা য়ামা চাউনা হিংশা থোকখিবগী পাউ লৈতে। মীখলগী মাঙওইননা আইননা য়াদবা মওংদা থল্লন্বা লুপা কোতি লিশিং ১০ রোম ফাগৎখি। ময়াই কাবা য়ু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি। মীখলগী মোদল কোদ ওফ কন্দক থুগাইবগী কেস ৪৯৫ ফংখি। কেস অয়াম্বা মীখল মনুংদা লোইশিনখি।

**কাউন্তিং ঃ** লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং হয়েং থীনবা শেম শাবা লোইরে।

মসিগা লোয়ননা অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং ওরিষা বিধান সভা কেন্দ্রশিং অমদি মরক্কী মীখলগী ভোটসু হয়েং থীগনি। ভোট মশিং থীবা অয়ুক পুং ৮ দগী হৌগনি। পনবা য়াই -১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট এপ্রিল ১৯ দগী হৌরগা তাঙ্কক ৭ থোকা তা অসিগী ১ ফাওবদা পাঙথোকখিবনি। ভোট মশিং থীবগী ফল ইলেক্সন কম্মীসনগী ৱেব সাইট-- -রিজল্টস দোট ই.সি.আই দোট জি.ও.ভি. দোট আই.এন দগী নত্রগা ভোতর হেল্প লাইন এপপতগী ফংগনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১)		১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং হয়েং থীরগনি।

২)	কংগ্রেসনা হায়রি-মনিপুরগী লোক সভা সিট অনিমক কংগ্রেসনা ফংগনি।

৩)	সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌ এরিয়াদগী কে.সি.পি অপুনবা সিটি মীতৈগী মীওই অহুম ফারে।

৪)	রাজ্য অসিগী ইংখৎলক্লিবা নহাশিংদা তোঙান তোঙানবা ভোকেসনেল স্কিলশিংদা ত্রেনিং পীনবা অসাম রাইফলস অমসুং ৱি-কেয়র স্কিল সোলুসন অনিগী মরক্তা য়ান্না চে অমা ঙসি সহি তৌনখ্রে।

**অমসুং**

৫)	চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নর রাজিব কুমারনা হায়রি - ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা ভোটর কোতি ৬৪ লাখ ২০না ভোট থাদদুনা মালেমদা রেকোর্দ থম্বা ঙল্লে।

**--- পাউ লোইজরে---**